# ‘অচুম্বনা মায় পাকপা ওইজরো-!’



## - এল ইবোমচা -

মহৌশাগী ফজবতনা থল্লবা লাইনা থাবা মণিপুর সনা লৈবাক্নি। মহৌশাগী ফজবদা য়েংলবসু থোইনসু শাদবা, য়াম্নসু ঈংদবা, চীংনা কোইশিনবা পাৎ-তুরেল, অশংবা লৌবুক-লম্ফাং অমদি মহৌশাগী হৈকোল-লৈকোল, য়েংলু-য়েংলুবদা মীৎফম হোংবা য়াদবা মণিপুরনি। অকনবা পোকপী থৌনা ফবা মচাশিংনা য়োমজবী, নুপীদা য়েংলবসু লৈঙাক ৱায়েল ঙমজবী কয়ামুক পোকচবীনি। মীদা য়েংই ৱাত্তে, শা-উচেক্তা য়েংলবসু ৱাত্তে, মহৌশা খূৎশেম্না ঋতু খুদিংদা য়েংবগী পেনবা নাইদ্রবীনি। লৈশেমঙৌদগী লৈম-নিংথৌ য়েক-সলাই তরেৎনা পাল্লকপনি। পান্থোইবীনা কোনবা চায়োক-নায়োক ফজবী ইমা লৈবাক মণিপুরনি। শংবান্নবা লৌবুক-লম্ফাং, মালংবনা হুম্বদা হাইনা-হুম্না ৱাই-ৱাই অশংবা ফৌনাশিংনা শরা-শল্লিবা, হৈপাল-লৈপালনা মরোং চুম্না পাল্লিবা মহৌশানা ইমা মণিপুরগী মশাইগোন্দা পুক্কে ওইনা থম্বীরম্মী। মণিপুর সনা লৈময়োলদা ইম্ফাল তুরেল অমসুং নম্বুল তুরেলনা চেল্লিবসি মপারী মমোমগীদমক পলেমগী অমূট খোল্লাংগী পান্দম্নি। হৈরাংদা য়েংই ৱাত্তে, পোম্বী চেক্লাগী য়াতাফম, চীংমী-তম্মী মপারী-মমোমশিংগী য়াতাফম মফম্নি।

অসুম্না শিংথাবগী লোইবা খম্বা নাইদ্রবা সনা লৈবাক মণিপুরসি কুমজা ১৮৪৩ অদুৱাই মতমদগী ইনিংথৌশিংনা খোংজাই (কুকি) শিংবু মণিপুরগী চীংগী লমদা শৈদাংফম পীদুনা ঐখোয়গা লৈমিন্নহল্লম্বদগী ঙসিদি সনা লৈবাক মণিপুর শলাক শারে। মবুক মরা তপ্পা-ঈংনা-চীক্লা লৈজরম্বা মণিপুর অসি কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা মমাঙ চহী ২০২৩গী মে ৩, য়ূমশকৈশা নুমিৎতগী মরম চাদনা মীতৈশিংদা অতম্ননা লান্দারকপদগী ইমা লৈবাক মণিপুরগী ফিজি-ফিনা মৈনা চাক্লে, মীকপ-মীরাওনা নিল্লে, ঈনা লৌখোং ওইনা চেল্লে, মীৎকী পিনা খুজেং য়ৌরে। কুকিশিংনা য়ূম, লাইশঙ, কম্ম্যুনিটি হোল মৈনা তুম্না থাদোকখবদগী মরমদমদা মীওই লিশীং হুম্ফুগী মথক্তা লাঞ্জেন্নরে, পূন্না মীওই ৩০০ রোম লৈখিদ্রে। মীওই ২৮ থিবা খঙদনা লৈরি। অদুগা মীওই লিশীং অমগী মথক্তা অশোক-অপন নংদুনা শোইনাইদুনা লৈরি।

অৱা-অনাগী মীকপ-মীরাওখোলতনা নিল্লবা কুমজা ২০২৪ লোইদুনা কাইনা পুংফম য়ৌরক্তুনা চৎখ্রেদো। চৎখ্রবা কুমজা ২০২৪ অসিদা থোকখিবা অৱাবা খুদোংথীবা নংখিবশিং খরা পল্লবদা - জন্যুৱারী ১৮, ২০২৪দা নিংথৌখোং খা খুনৌদগী ওইনাম বামোনজাও (৬১) মহাক্কী মচানুপা মনিতোন (৩২), নিংথৌজম নবদ্বিপ (৪১) অমসুং থিয়াম সোমোরেন্দ্রো (৫৪) মখোয় মরিসি মশা-মশাগী ফর্মশিংদা থবক শূদুনা লৈরিঙৌদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপীখি।

নুমিৎ খরনিদি য়াম্না নেমথরুরে হায়বদি ইলেক্সন কম্মিশন ওফ ইন্দিয়ানা ১৮শুবা লোক সভা ইলেক্সনগী সেদ্যুল লাউথোকখ্রবা মতুং মার্চ ১৮দগী নুমিৎ ২৪/২৫ রোমদি কুকিশিংনা নোংমৈ, বোম, টোপ কাপ্লকখিদে। অসুম্না থৌদোক অমত্তা থোক্তনা লাক্লবা মতুংদা অহানবা ওইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী হৈরোককী মথক্তা লৈবা পেনয়াং অমদি তোংহাং ভিলেজদা অমুক কাঙলূপ অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লরক্তুনা মীতৈগী খুল ঙাকপা অমা অশোক-অপন নংখি। থৌদোকসিগী মতুংদা অতৈ মফমশিংদসু থৌদোক কয়া থোকখ্রে । মী শিবা, অশোক-অপন নংবসু য়াওনখ্রে। অদুগা ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীগী কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্তকী সপরমৈনাদা থোং অমসু কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা কাপখায়খি। থৌদোক অসিগা ইকান-কান্নদনা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী নরান সৈনাদা হাংলিবা সী আর পি এফকী কেম্প অমদা লান্দাদুনা সী আর পি এফ পর্সনেল অনী হাৎখ্রে অদুগা অনীনা অশোক-অপন নংহনখি।

জুন ৬, ২০২৪গী নুংথিলদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা জিরিবামগী সড়ক অতিংবী খুন্নৌদগী সোইবম সরতকুমার (৫৫) কৌবা মীওই অমা লম্বীদগী ফাদুনা পুবিখ্রগা মঙক্তা থাঙনা লেল্লগা মীহাৎ থীনা হাৎলগা মুলরগাঁওন খুলগী নালা অমদা হুন্দোক্লগা থম্বীরমখি।

নবেম্বর ৭, ২০২৪দা য়ুরেম্বম কুল্লচন্দ্র (৬৩) কৌবা নুপা অমসু অয়ূক অঙনবদা মশাগী য়ূমদা তূমদুনা লৈরিঙৌদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা ময়ূমদা চঙশিন্দুনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলমখি।

নবেম্বর ৯, ২০২৪দা সাপম সোফিয়া (৩০) কৌবী মৌনহা অমা লৌবুক্তা লৌ খাওরিঙৌদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা চীংদগী নোংমৈ কাপথরক্তুনা হাৎতোকপীখি।

নবেম্বর ১১, ২০২৪দা জিরিবামগী জকুরাধোর কারোংদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা ওটো রিক্সোদা তোংদুনা লাক্লগা ইমুং অমগী চহী ৬২ শুরবী মবোক অমা, মহাক্কী মচানুপী চহী ৩১ শুরবী অমদি চহী ২৫ শুরবী অমগা লোয়ননা মখোয়গী মচা থা ৮ শুবদা ঙাইরিবা অমগা চহী ২ মখায় শুরবা অমগা লোয়ননা চহী ৮ শুরবী নুপীমচা অমগা পূন্না মখোয় ৬ ফাদুনা পুখি। অদুগা জকুরাধোর কারোং কৈথেলদা লৈবা য়ূম অমদি দুকানশিং মৈ থাবদা মৈনা চাক্তুনা লাইশ্রম বারেল (৬৩) অমদি মাইবম কেশো (৭১) কৌবা মীওই অনীগী মপূন্সি মাঙখি। লোয়ন-লোয়ননা প্রোটেষ্টর খুন্দ্রাকপম অথৌবা কৌবা নহা অমা মণিপুর পুলিসকী এস পি (কম্বেট) কী কাঙবুনা নোংমৈনা কাপ্পদা শিখি।

নবেম্বর ২৫, ২০২৪গী অয়ূক্তা মণিপুরগী লৈমখোংদা লৈবা ৫৭-মাউন্টেন দিভিজনগী কেম্পসতা মশাগী মথৌ তৌরুনবা চঙখিবা অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টতগী মীতৈ মচা এল কমলবাবু (৫৬) হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদনা লৈরি। লোয়ননা খৃষ্টমাস কুম্মৈ মাঙওইননা দিসেম্বর ২৪, ২০২৪দগী হৌরদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চল্লিবা থম্নাপোকপী, শান্তি খোংবাল, সনাশাবীনচিংবদা কুকি টেররিষ্টশিংনা অকনবা এটেক চত্থরক্তুনা ইম্পেক্ট টিভিগী ভিদিও জর্নেলিষ্ট এল কবিচন্দ্র (৩৩) হাৎনবা হোৎনরকখ্রে।

অসিগুম্বা কুকিশিংগী পুবা থাংবা ঙমদবা মীওৎ-মীনৈদা মীতৈশিং মীৎকি পিনা খুনম কংদনা লৈরিঙৌদা অমুক ইন্দিয়া লৈঙাক্না নবেম্বর ১৪, ২০২৪দা তম্পাক্কী পুলিস ষ্টেশন তরুক্না কোনবা হায়বদি- লম্লাই, লমশাং, সেকমাই, মোইরাং, জিরিবাম অমসুং লৈমখোং পুলিস ষ্টেশন্না কোনবা মফমশিংদা অফস্পা অমুক থমজিল্লকখি।

অসুম্না কুকি টেররিষ্টশিংগী লাননা মরম ওইরদুনা অরিবা চহী মিংথোল ফংলবা ২০২৪ মীতৈশিংগী মফমদদি মীকপ-মীরাওখোলতনা নিল্লবা চহী ওইখি। অদুবু মীকপ মীরাওখোলতনা নীল্লবসু নীলনা অরিবা চহী ২০২৪ কাইনবগী পুংফম য়ৌরক্তুনা চৎখ্রে। মরাল লৈজদবা অরিবা চহী ২০২৪না মীতৈশিংদা তাহৈ-উহৈদবা কয়া নংহনখিবগীদমক চেপথ-চেপথনা নীংবা কায়না য়েংলম্লগা হনখ্রেদো। নোংমতসু মীতৈশিংনা মোমোন মীনোক উবা ফংদনা থাবুম তরানিথোই লান্দুনা হনখ্রে। ঐখোয় পূম্নমকপু মতম চূপ্পগী ওইনা বিদাই পীরম্লগা অরিবা চহী মিংথোলদা হনখ্রে হে ২০২৪।

মরম অসিনা অরিবা চহী ২০২৪ নহাক্কী নফমদা মীতৈশিংনা কোক নোন্না হায়জনীংবদি চহীসিদা থোকখিবা ধর্ম্ম লৈতবা, হিংচা-য়াইতম্বগী থৌদোক-ৱাথোকশিং অসিগী মপাউ অনৌবা চহী ২০২৫গী মফমদা তম্বীরক্নু। থা ১২ অৱা-অনা মৈশা লাংমিন্নরক্লবা অরিবা চহী হে ২০২৪ মতমগী খোঙচৎনা উনা-উনা, নুংশি-নুংশিনা কাইনরে, ৱারৌনুকো মীতৈশিংদা।

কুমজা ২০২৪ নহাক্না কাইনরমদাই মীকুপ অসিদা মীতৈশিংনা নোক্লুক্না হায়জরি মদুদি হৌজিক মণিপুরদা শোক্লরিবা লান অসিদা অনৌবা চহী ২০২৫না লাকপদা ‘অচুম্বনা মায় পাকপা ওইজ রো-!’ য়াইফ থৌজাল অসিদংদি পীনবীরম্মু। ●

# মঙলান অমগী ইৱাই-ইনিল - ১

## - বি সী খুমন -

-মিংদু খঙজবা য়াগদ্রা?

- খঙলসু য়াই, খঙদবনদি ফবনি।

- কয়াদা চৎলি!

- য়াল্লিখৈ য়াই, মতেংনি খল্লু।

- করি লৈকায়দগীনো?

- লৈকায়দো লৈরম্মী- লৈখিদ্রে হায়তারে।

- হায়দি!

- কুকিশিংনা শীৎ নান্না তেমথোকখ্রে। কান্নদে মতম মাঙহনবীনু, থবক য়াম্মী...।

- ৱাহৈদুনা তাকপদি রিফ্যুজি?

- মদুমক্লি - নৎত্রবদি অদোমগা থেংনরমদবসু য়াই, খঙদে ঐমকসু মহৌশাগী ঐদো ওইখিদ্রে। ওহ শোরি!

মিং হংখিবদাই থারিকথা, মাষ্টর লোইখ্রে, প্রাইভেট স্কুলগী ওজা ওইরম্মী - ওইখিদ্রে।

য়াম্না প্রোফেসনেল ওইরবী সেক্স ৱার্কর অমগী ৱাঙাঙসু মাল্লি নৎত্রগা লাইরিক হৈবগী মতিক মীতিক মীরৌ খঙনা ৱারী শানবগুমসু তৌই। তঙাইফদনা মীয়াম থেংনবগী থবকসিদা কমদৌনা খোঙ থাংজিল্লক্লিবা য়াম্নমক খঙনীংলকই। হংলুবদা ইরায় লায়না পাউখুম পীরক্কদবসু মান্দে।

থারিকথা মতমসিগী ফজবী নুপী অমগী চপ চাবা মঙম শুনা য়াওরি। কুচু-কুমেন, কেথোক-চাথোক য়াম্নমক ফেসনেবল ওইদ্রসু নুপা ওইবশিংগী মীতানফম ওই। নোকপদি উদ্রি। রিফ্যুজিগী চৈথেংনা নোকপা কাউখিবা মাল্লি। শেলগী মথৌ য়াম্না লৈবগী ৱাহৈ তত্তনা শীজিন্নৈ। মাগী মায়থোঙদুসু তহা-তহাবগী মমি তারি। ৱাখলগী পোৎলূমদি পুরে অদুবু লোৎশিন্দুনা খঙহন্দনবা হোৎনরি।

- থারিকথা হায়বা নৎত্রা?

- হোয়, কনা ঙাইখিদোইনো?

- থারিকথা - নঙ প্রেসর লৈনা উই, নুংঙাইতে। নঙগী নতেং পাংগে, নঙ লৌগদ্রা?

- করি ৱাহংনো’দুদি। ঐদি চাক্লিবীনি, ঈজৎ ফাওবা য়োনগে তেমশিংনরিবনি।

- থারিকথা ঐ নশা শোক্লোই, মীকুপ খরসিগী মমলদি নঙনা হায়রিমখৈ পীগনি।

- হায়বদি!

- পাখৎকনু, ঐখোয় অনীসি য়াম্না থম্মোয় শেংনবা মরুপ অনীগী মরী অমা শেমগৎসি। নঙবু হীরম খুদিংদা তেংবাংগে হায়বগী ফিরেপ্তু ঐঙোন্দা লৈহল্লু।

- মদুদা অদোমগী তোংজবনা করি?

- থারিকথা নঙ-ঐ ঙসি থেংনরি’সে এক্সিদেন্টেল নত্তে। মতম চঙনা তাঞ্জা অসি ঙাইদুনা লাকপনি। মতম চানা মরমসু তাক্কে। নঙগী নম্বর পীরকউ।

- “ফোন পায়দ্রে, থৱায় হিংননবা লাঞ্জেল্লকপদা হুন্দোক্লম্লে”

থারিকথা লোন্না মপি তৈথোক্লি। ৱাখল মঙল-মঙল খনখ্রমাল্লে। থেমদুনা মপূক্লিং হরাওহনগদবসু হায়ফম খঙদ্রে। ঙসিতা উনবনি, মাগীসু ৱারী ময়াম অমা লৈরমগনি। বেগতা য়াওবা শেলদু পুল্লপ মঙোন্দা পীশিল্লি।

“সে ঐগী মতেংনি...”

থারিকথা - মমিত্তু লাউথোক্লগা ঐঙোন্দা চঙক্লনা য়েংলগা,

“করিগী শেলনো ঐ লৌজরোই... কোন্না পীফম থোকপদুতং পীয়ু”

“নুংশিরবী মরুপ অমদা থম্মোয় শেংবা মরুপ অমনা তেংবাংলকপনি খল্লু” ঙসিনা অহৌবনি... লোইবা নাইদনা তেংবাংজবা ঙমহল্লু।

“ঐদি মরুপ শান্নসি হায়রকপদুগী পাউখুম পীখিদ্রি। সে শেলসি হাপচিনবীয়ু। ঐ অদোম কনানো খঙদ্রি, ঙসিতা থেংনবনি। ঐগীসু অনীংবা, অপাম্বা খঞ্জনবা ইনিং তমহল্লু”।

মপান্দা মীনিল তারকই, করিগুম্বা অমদি থোক্লম্লনি। থারিকথা ইথক-থক্কৎপগুম মমিৎ-মনাদু তথক-তথকই। খঙহৌদনা ঐখোয় অনী লৈরিবা কাদুগী থোঙ থিন্দুনা কৌরকই - “সার-সার” থারিকথা পাখৎখ্রে। ঐনা করিসু তৌরোই হায়না ইঙ্গিৎ পীবা মাদি খঙদ্রে। ঐনা থোঙ হাংদোক্লগা,

- “কনানো, করি তৌরে?”

- “সার ইমর্জেন্সি কোল লাকই...

- “য়ারে, ঐ লাক্লগে মখাদা লৈরম্মু”

কুমখ্রমাল্লে ইচিক চিকখ্রে। খঙহৌদনা য়ুনিফোর্ম শেৎপা ময়াম অমা হোটেলদুদা কাখৎলকপদা হৌদোং লাকপদা উচিশিং খা-ৱাং খঙদনা হোৎনখিবজাৎনি। রেদ-লাইট জোনগী দে-টু-দেগী হৌনবীনি। থারিকথাদি কাচিন অমদা মখূৎ অনীনা মমায়দু খুল্লগা কপ্তুনা লৈরল্লে। চঙশিন্দুনা মখূৎ অনীদু লৌথোক্লুবদা মমায়-মমিৎ পূম্বা পিনা থুল্লল্লে।

- “থারিকথা কপকনু। নঙনা কপ্পা পকচদে। ঐ অথুবা থবক অমগী চৎখিবা তারে। তপথনা পূক্লিং ফাজিল্লু ঐ ৱা খরা হায়রমগে।”

- হায়দ্রবসু-হায়রল্লসু ঐ চেনবা য়াগনি খন্দ্রে।

থারিকথা কপ্পা তোকখ্রে, মশম-মনা, মমায়-মমিৎ মখূৎ অনীদুনা ফীভম শেল্লি। খঙহৌদে মায়থোঙদু মকা লামখ্রে। অঙকপনি লৈচিলনা নাথৈখ্রবী থাজগুম নিংথিরে।

থম্মোয়সিনা লেপ্লে ‘ঐ শোয়দনা মাগী মতেং লৌরগে”। থারিকথা রিফ্যুজিগী চৈথেং মায়োক্লরিবী মহৈ-মশিং মতিক চানা হৈরবী, শক-চু চঙখোল্লবী, মীতৈ নুপীনি। মতম কুইনা থিরকপা মীশক্তুমক ‘মহাক্লি’। মঙোন্দা ঐগী প্রোব্লেম পূম্বা হান্না খঙহল্লগনি। মাগী মতেং নীরগে। য়াননবা হায়জরগে।

“সার - ঙসিদি ফীভম্না মতম্না সারগী নীংবা থুংহঞ্জবা ঙমখিদ্রে, নোংমা...”

“হা? সার কৌবগী মরম...?

য়েংথোক্লুবদা থারিকথাদি নোক্লগা চৎকদবগী শেম শাবা লোইরল্লে। ঐনা পীখিবা শেলশিং টেবলদা তাদুনা লৈরল্লি।

“থারিকথা, প্লিজ ঐনা থম্মোয় শেংনা তেংবাংজবা শেলসে পায়বীখো। ঐ কনানো খঙহন্নবা তাঞ্জা শোয়দনা লাক্লগনি। হয়েং অয়ূক নঙবু লৌবা মী থাজরক্কে। থারিকথা নঙসু লানসিগী চৈথেং খাঙবদা য়াম্না ৱারল্লগনি। ঐসু ফেমিলিগী হায়ফম তৌফম খঙদবা প্রোব্লেম ময়াম অমা মায়োক্নরি। ঐ-নঙগী নতেং লৌজগে শোয়দনা য়াগনি ৱাশকপীয়ু”।

“ওহ মাই গোদ, করম্বা প্রোব্লেম? এনি ৱে... হয়েং অমুক হায়বদু ঐ য়াজরে। ঐগী অৱাবা ৱারীসু তাবীনবা মতম কায়থোকপীরম্মু। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৫ গী ৱাহং

১) **“ওক্লসিগে নঙবু করম্না**
**হে অনৌবা চহী**
**নীংথিবী ফিজোলদা আশাগী**
**চংখোল্লবা নকেদা অনৌবা ৱাশক্কী...॥”**

শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্তা য়াওবা শৈরেংনি। অইবা অসি কনানো? য়াওরিবা শৈরেং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

২) **“শক্তম মচু মচুগী”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৩) **“লৈকোল নুংদ”** (১৯৬৮) হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? অইবগী মমিং হায়য়ু।

৪) **“কমলাকান্তগী কোর্বেক”** হায়রিবা লাইরিক অসি অতোপ্পা লোল অমদগী মণিপুরীদা হন্দোকপনি। মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা অইবা অসি কনানো?

৫) **“য়েন্নিং থানা হল্লক্লবদা”** হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

ষ্টেটকী পাউ

## সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মনুং চন্না সী আর পি এফনা তেংবাং পোৎলম কয়া খুৎশীন্নখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৮ (ঐচ এন এস): সেন্ট্রেল আর্মদ ফোর্সশিংগা মীচম মীয়ামগা অফবা মরী থম্নবগী পান্দমদা লৌখৎলকপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্টরগী সী আর পি এফকী আই জি ডা. বিপুল কুমারগী মীৎয়েং মখাদা ১৮৯শুবা সী আর পি এফ বট্টলিয়ননা শীন্দুনা সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা তেংবাং পোৎলম কয়া য়েন্থোকখ্রে।

তেংবাং পোৎলমশিং অদু সিক্যুরিটি ফোর্স অমসুং মীচম মীয়ামগী মরক্তা অফবা মরী থম্ন বগী পান্দমদা পায়খৎপা সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা লাঙ্গোল টাইপ থ্রিদা লৈবা লৈমখুল্লেন য়ুথ প্রোগ্রেসিব ওর্গনাইজেশনগী ওফিসতা খুৎশীন্নখিবনি।

তেংবাং পোৎলমশিং খুৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা সী আর পি এফকী ১৮৯শুবা বট্টলিয়নগী কম্মান্দেন্ট পি কে শাহুনা লুচিংখি। থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা পি কে শাহুনা হায়, কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী হৌখিবা কাংলুপ অনীগী ইরাংনা মরম ওইদুনা লমদম অসি তংদু লৈতাদবা ফীভম অমদা লৈরক্লি। সিক্যুরিটি ফোর্সকী মায়কৈদগী লমদম অসিদা মহৌশাগুম তুংদু লৈতানা অমদি ইং তপ্পা লৈনবগীদমক চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎলি।

সী আর পি এফনা শীন্দুনা ঙসি পাঙথোকখিবা সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মরুওইবা পান্দমদি সেন্ট্রল ফোর্সশিংনা মীচম মীয়ামগী মরক্তা অফবা মরী থমদুনা নুংশি চান্ননা হিংমীন্নদুনা চউখৎ লম্বীদা চংশিল্লক্নবগী পান্দমদনি।

মীচম মীয়াম্নসু সেন্ট্রেল ফোর্সতা মপুং ফানা থাজবা থম্বীদুনা লমদম অসিদা থেংনরিবা তংদু লৈতাদবগী ফীভম অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ঙসি লমদম অসিদা লৈরিবা অসি মীয়ামগী পুন্সি অমসুং লন থুম ঙাক্ল বগীদমক্তনি। সেন্ট্রেল ফোর্সনা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক চংশিল্লকপা খোঙথাং খুদিংদা মীয়াম্নসু শরুক য়াবিদুনা চাউখৎপা মণিপুর অমা ওইবদা পুন্নমক্না থৌদাং লৌমীন্নিসি। সিভিক এক্সন প্রোগ্রাম অদুদা সী আর পি এফকী মাইকৈদগী লিটর ৫০০গী ৱাটর টেঙ্ক, সোলর লাইট, সেৱিং মেছিন অমদি শান্ন-খোৎনবগী মচাকশিং খুৎশীন্নখি।

থৌরমগা মরী লৈননা মীয়ামদা লেম্না লায়েংবগী কেম্প অমসু পাঙথোকখি। ঙসি পাঙথোকখিবা সিভিক এক্সন প্রোগ্রাম অদুদা বট্টলিয়ন অসিগী পার্সনেল ঐচ এস মুরিয়া সেকেন্দ ইন্দ কম্মান্দ, দিপ্যুটি কম্মান্দেন্ট পনকজকুমার, এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট রাজেশকুমার বরনেলা, এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট সৈত্যানরায়ন, এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট নাবি, এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট সঞ্জিভ কুমার ঝা অমসুং এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট অজয় য়াদবসু শরুক য়াখি।

## লৈঙাক্না লমদম অসিগী শিন্মীশিংগীদমক অখন্নবা থৌরাং লৌখৎপীয়ুঃ য়ু এল ও

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৮ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা থোক্লিবা কাংলুপ অনীগী ইরাংনা লমদম অসিদা লৈরিবা শুরগা হিংজবা শিন্মীশিংদা হেন্না অৱাবা মায়োক্লহল্লে হায়না য়ুনাইটেদ লেভর ওর্গনাইজেশন (য়ু এল ও) মণিপুরগী প্রসিদেন্ট অনিল য়ুমলেম্বমগী চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।


চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, হৌখিবা চহী ২০২৩গী মে ৩দগী তংদু লৈতানা লৈবা ফংদ্রবা মণিপুরগী মীয়াম্না নোংমগী অফং অফংবা শুরগা ইমুং পুজরম্বা অদু শুফম লৈতবদগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরে। মণিপুর লৈঙাক্লসু মণিপুরদা ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসি য়েংদুনা লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা লমদম অসিগী শিন্মীশিংবু থবক শুহল্লবদি শুফম নোম্ফম খঙদনা লৈরিবা শিন্মীশিং অসিনা থেংনরিবা অৱাবশিং কোক্তুনা শেন্মীৎলোনদা ফগৎহন্নবগী খুদোংচাবা অমা ফংগিনি হায়রি।

লৈঙাক্না শিন্মীশিং অসিগী অখন্নবা থৌশিল পায়খৎত্রবদি মখোয়সু হিংনবগীদমক তোঙান তোঙানবা পাম্বৈ কয়া থিরকপা য়াই। তুংদা হৌরক্লিবা মীরোলশিংগীদমক্তা শুবা কনবা, মরা চেৎপা খুন্নাই অমা ওইহনবা মথৌ তারে। মতিং লৈবা শুনিং নোম্লিংবা মীওইশিংনা য়ুনাইটেদ লেভর ওর্গনাইজেশনগা তানবীয়ু হায়না চেরোলসিনা ফোঙদোরক্লি।

## লাঞ্জেন্নরিবশিংদা পোৎলম কয়া মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৮ (ঐচ এন এস): চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মচানুপা অজয়গী লিচিং মখাদা য়ুথ ফোর চেঞ্জ, ভিলেজ ভলন্টিয়র ফোর্স হেদ কার্টর, ফেসবুক একাউন্ট সুরেস মালেম য়াওনা সেকমাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা কদাংবন্দ পার্ট ১ সাবলদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা পোৎলম কয়া মতেং পাংখ্রে । হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা সুরেস মালোমগী ফেসবুক একাউন্টতা ভাইরেল ওইরকখিবা সেকমাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা কদাংবন্দ পার্ট ১ সাবলদা য়ুম ১২গী মীওই ৮৮ লাঞ্জেন্নরক্তুনা কদাংবন্দ পার্ট ২গী ইস্কোল অমদি তুরেল মপালদা লৈবগী ভিদিও ভাইরেল ওইরকপদগী পোৎলমশিং অদু মতেং পাংখিবনি। তেংবাং খোঙচৎ অদুদা নাওরেমথোং এন জি কোলেজ লৈরক অমসুং কৈশামথোং তোপ লৈরক্কী মীওইশিংসু শরুক য়াখি।

## মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিংনা নেশনল এদ্যুকেশন পোলিসিদা য়ুম্ফম ওইবা ষ্ট্রিট প্লে উৎখ্রে




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৮ (ঐচ এন এস): নেশনল এদ্যুকেশন পোলিসি ২০২০বু মীয়ামদা মপুং ফানা খঙহন্নবগী পান্দমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর নাওরেম লোকেন্দ্রগী মীৎয়েং মখাদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী মহৈরোয়শিংনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী মনুংদা লৈবা কোলেজ ৪দা নেশনল এদ্যুকেশন পোলিসি ২০২০দা য়ুম্ফম ওইবা ষ্ট্রিট প্লে ‘নেশনল এদ্যুকেশন পোলিসি ২০২০ নুক্কদ নাতক’ উৎখ্রে।

নেশনল এদ্যুকেশন পোলিসি ২০২০ নুক্কদ নাতককী নোদল ওফিসর ডা. সলাম ওপেন্দ্রনা লুচিংদুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ষ্টুদেন্ট এম্বেসেদর খুন্দ্রাকপম নিরাসনা দেবী অমদি রোনাল্ড মোইরাংচাগা লোয়ননা মহৈরোয় আর্টিষ্ট ৭না বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী ওইনামদা লৈবা থম্বাল মরিক কোলেজ, বিষ্ণুপুরদা লৈবা সী আই কোলেজ, নীংথৌখোংদা লৈবা মঙ্গোলঙানবী কোলেজ অমসুং মোইরাংদা লৈবা মোইরাং কোলেজদা কোয়না চৎতুনা নেশনল এদ্যুকেশন পোলিসি নুক্কদ নাতক ষ্ট্রিট প্লে মহৈরোয়শিং অমদি মীয়ামদা উৎতুনা নেশনল এদ্যুকেশন পোলিসি ২০২০গী মতাংদা মীয়ামদা পুক্লিং লৌশিং পীখি।

নিংথৌখোংদা লৈবা মঙ্গোলঙানবী কোলেজগী ইকনমিক্স দিপার্টমেন্টকী হেদ কে ঐচ নোলিনিনা ঙসি উৎলিবা ষ্ট্রিট প্লে অসিনা মহৈরোয়শিংদা নেশনল এদ্যুকেশন পোলিসিগী মরমদা খঙলমদবশিং মমুৎ তানা খঙহনবা ঙমহল্লে হায়খি।

অসিগুম্বা পুক্লিং লৌশিং ওইবা য়াবা খোঙথাং অমা লৌখৎলকপদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিং অমদি য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর লোকেন্দ্রবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎলি হায়খি।